## য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগী বোর্ডর কিমি ৬০ ফাওবদি চৎথোক-চৎশিন য়াহনবা ফৈঃলাল থনহৌলা

আইজোল, জুন ১৪ ঃ

হৌজিক ইন্দিয়াগী বোর্ডর ষ্টেটশিংগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা তাইনরিবা ঙমখৈগী শরুক্তা কিমিঃ ১৬ খক চখোক-চৎশিন য়াহল্লিবা অসিগী মহুত্তা সেন্তরনা লৈবাক অনীগী মরক্তা কিমিঃ ৬০ গী ওপন ষ্টেট বোর্ডরগী খুদোংচাবা লৈহন্নবা অপাম্বা অমা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লাল থনহৌলানা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংগী অপাম্বনা করিনো হায়বদু থোইদোক্লা খঙদে। অদুবু মিজোরামগী ওইনদি য়ুমথংনরিবা লৈবাক্তা লৈরিবা মীওই কাঙলূপ খরগা য়েলহৌমী ওইবগী মতিক মগুণ পূন্নমক মান্ননা লৈবনা করিগুম্বা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈগী শরুক অসিদা কিমিঃ ৬০ ফাওবদি নাকল অনীমক্তা ফ্রি জোন ওইনা লৈহন্নিংই অমসুং পুং ৭২ খক লৈবাক অনী অসিগী মনুংদা চখোক-চৎশিন তৌবদা লৈবা য়াহল্লিবা অসি থা ২ ফাওবা শাংদোকহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। মদু মহৌশাদগী চৎনরম্বা ৱাফম অমসু ওইরিবনি হায়না আইজোলদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবা মতমদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

মিজোরামগা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারগী শরুক্তা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা মীওই কাঙলূপশিংগা য়েলহৌমী কাঙলূপ অমগী চপ চাবা মান্নবা মওং মতৌশিং লৈবা মরম্না মিজোরাম লৈঙাক্কী ওইনদি হন্দোং-ম্যান্মার বোর্ডর শম্বল খাজিনবা হায়বসি য়ানিংবা লৈতে। ম্যান্মারগী চিন হিলসকা মিজোরামগদি অমত্তা ওইনা চৎন-লোনচৎ পূম্নমক্তা মান্নবা মীওইশিংনা খুন্দামিন্নবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মনুং চল্লিবা লল্লোন-ইতিক্কী থবকশিং অসি হেন্না খুমাঙ চাউশিলহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না হায়খি।

মসিগী মথক্তা লাল থনহৌলানা বঙ্গলাদেশকা মহাক্কী ষ্টেট অদুগা তাইনরিবা ঙমখৈগী শরুক অদুদা শম্বল খাবসু পামদে হায়রি। মসিগী অচৌবা মরম অমদি মহাক্কী ষ্টেটকী লৌমীশিংনা শম্বল ৱাংমা লাল্লগা লৌ উবা য়াদবদগী মশাগী ওইনা লৈজরম্বা তাংলবা লমশিং অদু মাঙহল্লিবসিনা তাক্লবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মহৌশাদগী বঙ্গলাদেশকী লমগী শরুক অসিগা ম্যান্মার য়াওনা মিজোরামগী ওইনা লৈজরম্বা ঙমখৈগী শরুক অসি হান্নদগী লৈরক্লবা তুরেলশিংনা খায়দোক্তুনা থন্লক্লবনি। শাথিনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফম অমদি চীংগী এরিয়াশিংদা নমদুনা শম্বল খান্নবা হোৎনবা হায়বসিনা চপ চাবা সোলুসন অমা পুরক্কদবা লৈতে। মদুগী মহুত্তা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙমখৈগী শরুকশিং অদু ইথনিক কম্যুনিতিশিংনা পুনশিল্লগা খুন্দা-লৈতামিন্নরকপা অদুবু নীংশিংলগা শম্বলগী মহুত্তা মহৌশাগী ফীভম্মা খায়দোকচরন্নবা ঐখোয়গী লমখৈ অদু ঙাক্না থম্বা হায়বসিনা য়ুমথংনবা লৈবাক অনীগী মনুংদা মশাগী লমশিং ওইনা কন্দুনা লৈজরম্বা লৌবুকশিংগী মপু ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা হেন্না তংদু-লৈতাবা অমা পুরক্কনি খল্লি হায়বা লাল থনহৌলানা ফোঙদোকখি হায়রি।


# In the Court of the Sub-Deputy Collector

**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Case No. 221/SDC/B/IE/2017*

Maibam Renu Devi
W/o (L) Hema Singh of Kyamgei Maning Leikai

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Maibam Angou Singh
S/o (L) M. Haojou Singh of Kyamgei

***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 14th June, 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং ৬৮-ক্যামগৈ পট্টা নং ১৬৭ অরীবা ৫০৮ / ১৯৭৩ অনৌবা দাগ নং ৬০৭ মোট এরিয়া ০.২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মাইবম অঙৌ সিংহ পীং মৃ! হাওজৌ সাং ক্যামগৈ দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

***SL/2300(b)/15***



# In the Court of Sub-Deputy Collector

Moirang , Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 336 /SDC/M 2017*

1. Md. Nazimuddin
   S/o (L) Leimu of Kwakta Ward No. 3.
2. Md. Nasimuddin
   S/o(L) of -do-
3. Rasibibi W/o Md. Nasimuddin of -do-
4. Najira W/o Nurkhan of -do-
5. Md. Nurkhan S/o (L) Mushoikahn of -do-
6. Mahila D/o Leimu of -do-

***-Petitioner***

***-Vrs-***

Late Leimu Miya
S/o (L) Anamuddin of Kwakta Khunou

**NOTICE** **(opp)**

*Moirang the 14/06/ 2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গা মরী লৈননা থোকপা নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি পাটা নং ৩৪৫ (অনৌবা) দাগ নং ৫৩৫৮ গী এরিয়া ০.৬২ একর চাউবা ইংখোল খুন নং ৯১-ক্বাক্তাদা পাল্লম্বা পাটাদার মশা মৃত্তঃ ওইখ্রে। দংকারীশিংদা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। দংকারী নং ২ অমসুং ৩ গী ফংফম থোকপা এরিয়া ০.২৬ একর অৱাংদা, দংকারী ৪ অমসুং ৫ গীনা ০.১৫ একর মমাঙ থংবদা অদুগা দংকারী ৬ কীনা ০.০৩ একরনি মায়কনা নোংপোক খা থংবদনি। কনাগুম্বা ৪ য়ানিংদবা মীওই লৈরদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎত্তগী (৭) নি ফাওবনি মসিদা লাক্তুরবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম তাগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Moirang, Manipur

*SL/2304/15*


## মরুপকী ৱা

**পূক্নিং লৌশিং | এম বুদ্ধ মৈতৈ**

**মরুপ অনীখক য়াম্না লুন্না তিন্নরম্মী। মখোয় অনী লৈকাই অমত্তদগীনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী লোয়নরকপনি। মখোয় অনী কোইরে কোইমিন্নে। চারে চাম্মীন্নে। অউবশিংনা মখোয় অনী অসি তশেংনা অমনা অমবু থাজনরবা মরুপ মপাঙ ওইনা উরম্মী। মখোয়গী ফীফম লৌনবা ৱারী ৱাতাই ফাওবা শান্নবা তারম্মী।**

**মখোয় অনীনা জঙ্গল অমা ফাওদুনা চৎলম্মী। শুক্লবা জঙ্গল অদুগী ময়াই চল্লকপদা মখোয়না ইখঙ খঙহৌদনা শওম অমা মায়োক্নরম্মী। মখোয়না শওম অদুদগী নাম্থোক্লগা চেন্নবা মতমসু ফংলমদে। শওম অদুগী মখুত্তা মখোয় শিবা তারদ্রা হায়বা ৱাখল মখোয় অনীমক্তা ফাওরক্লম্মী। খঙহৌদনা মখোয় অনীগী মরক্তগী উকাবা হৈবা অমনা খঙহৌদনা উ কাখৎলম্মী। অদুবু অতোপ্পা অমা অদুদি উ কাবা হৈতবনিনা শওমগী মখুত্তগী নাম্থোকনিংঙাই লৈরমদে। খুদক্তা পায়রক্কী লৌশিং অমা লাকপদগী নুপা অদু লৈমায়দা হিপথরগা প্রদাক প্রদাক তাদুনা অশিবা শাদুনা লৈরম্মী। শওম অদুনা অশিবা শারিবা নুপা অদুগী মশা অমদি মনাকোং ময়াদা মনম সুৎ সুৎ নল্লল্লগা চৎখিরম্মী। উথক্তা লৈরিবা নুপা অদুনা হংলম্মী, "ইতাও শওম অদুনা নহাক্কী ননাকোং ময়াদা করিনো খরা হায়রল্লিবদু করিনো, করি হায়রল্লিবনো?" মমান্নবা অদুনা খুন্নকই, "মরুপ শওম অদু য়াম্না শিংবা শা অমা ওইরন্নে। মহাক্না ঐঙোন্দা য়াম্না লূবা পাউতাক অমা পীরম্বগী ৱানিদা।" উ কারুবা নুপা অদুনা য়াম্না খঙনিংবগা লোয়ননা শওম অদুনা পীরম্বা পাউতাক অদু হায়দোক্লবা গ্রী গ্রী তক্লম্মী। মমৈথংদা নুপা অদুনা হায়রকই। "শওমদুনা হায়রম্মী, নহাক্না অৱাবা তারগা থাদোক্তুনা চেনখিবা মরুপ অদুদা থাজবা থন্নুনু।"**

**তশেংবা মকনি, মতম ফরিঙৈদগী মরুপতি নুংশা শারিঙৈদা ছাতিন ৱাইহনবা অদুগা নোং হেক চুমগা লৌশিনবা মীওইগুম্বনি।**

**অমগা অমগা থাজনবনা মরুপ মপাং ওইবগী য়ুম্ফম্নি।**

**থম্মোয়দসু অমগা অমগা নুংশিনবা অদুগা থবক ওইনসু পাঙথোকপা মীওই কয়াসু লৈ। মখোয় অদুদি নাকল অনীমক্তা অফবনিনা মতম চুপ্পদা লেঙদনা লৈগনি হায়বসি কাউরোইদৌবনি।**

## গোর্খালেন্দগী খোঙজং লেপ্পনা চঙশিনগনি

দার্জিলিং, জুন ১৪ ঃ

নোর্থ বেঙ্গলগী চীংগী লমদমদা গোর্খা জনমুক্তি মোচা (জি জে এম) না মতম কক্তবা বন্দ কৌরিঙৈ তাল্লক্তা পার্টি চীফ বিমল গুরুংনা ৱেষ্ট বেঙ্গল সরকারদা শিংনবা অমগা লোয়ননা ঙসি তোখায়বা গোর্খালেন্দ ষ্টেট অমা তানবগী খোঙজং অসি লেপ্পনা চখখিগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

গোর্খালেন্দগী খোঙজং অসি গোর্খা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবনি অমসুং তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি কোন্না পীরবসু কায়দে অদুবু মীওই কাঙলূপ অসিগী নীংখা তম্বা অদুদি হান্না পীগদবনি। সি আর পি এফ কী ফোর্স পূন্নমক থাজিল্লকপা তারবসু গোর্খাশিংগী দিমান্দ অসিদি অদুমক চখখিগনি হায়রদুনা রুলিং ত্রিনামুল কংগ্রেসনা দিমোক্রেসিগী নত্তবা উপায় শীজিন্নরকপা তারগদি মদুদগী থোক্লকপা থৌদোকশিংগী দায়ত্ব লৈঙাক্না লৌজগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রি।


# In the Court of the Sub-Deputy Collector

**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Case No. 225/SDC/B/IE/2017*

"Shri Shri Mahaprabhu Sebayat"
1. Hanjabam Muhindro Sharma
   S/o (L) Ibochouba Sharma of Kyamgei Mayai Leikai
2. H. Shamungou Sharma S/o (L) -do- of -do-
3. H. Mamon Devi D/o (L) Chandbapu Sharma of -do-
4. H. Dhananjoy Sharma S/o Mamon Devi of -do-
5. H. Sanahanbi Devi W/o (L) Ibotombi Sharma of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

1. Hanjabam Babuchouba Sharma
2. H. Tolenjao Sharma
3. H.Tomba Sharma (Papu Sharma)
4. H. Ibotombi Sharma
5. H. Bormani Sharma

S/o (L) Kanhai Sharma all are resident Kyamgei Mayai Leikai

***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 14th June, 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং ৬৮-ক্যামগৈ পট্টা নং ১৭৭ অরীবা ৭২৩ অনৌবা দাগ নং ৩৬৭ & ৩৭৮ মোট এরিয়া ০২১+০.৭৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদারশিং 1.Hanjabam Babuchouba 2.H. Tolenjao 3.H.Tomba 4.H. Ibotombi 5.H. Bormani S/o (L) Kanhai all are Kyamgei Mayai Leikai দা লৈবশিং অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

***SL/2300(a)/15***



# In the Court of the Sub-Deputy Collector

**Thoubal, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 336 of 2017*

Amakcham (o) Indira Devi
W/o (L) AZ. Arunkumar Singh of Thoubal Kshetri Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

Amakcham Kula Singh
S/o A. Amuyaima Singh of Thoubal Kshetri Leikai

**NOTICE** ***- O.P.***

*Thoubal,the 14th June, 2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি village No. 30-Kshetri Leikai, patta No. 16, Dag No. 216 an area 0.10030 Hect. of Ingkhol class অসিগী pattadar অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মমৌনুপী অসিনা মৃতু pattadar গী মমিং অসি কক্লগা মাগী মমিংদা নমা ওনশিনবিরো হায়দুনা মথক্কী Court অসিদা হায়ররে মরম অসিনা মৃতু pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈননবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা মশা মশা লাক্তুনা অইবা চেদা য়ানিংদবগী ৱারোল হাপ্পুনা মথক্কী Court অসিদা Objection তৌগদবনি। পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা Objection তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না Court না Case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Thoubal, Manipur

*SL/2303/15*



Come & Join

Come & Join

# 16TH THE GREAT JUNE UPRISING, UNITY DAY

18TH JUNE, 2017 (SUNDAY)

VENUE

**Kekrupat, Imphal**

**Time:**

**Morning - 5:00 am. to Evening - 6:00pm.**

Rituals, Floral Tribute and Public Meeting

**Organised By:**

A M U C O

U C M


EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

### Delhi RMLH recruitment 2017 Junior Resident 100 vacancies

100 Junior Resident in RMLH:- 22nd June 2017
Dr. Ram Manohar Lohia Hospital released new notification on their official website for the recruitment of total 100 (one Hundred) jobs for Junior Resident. Job seekers should apply before 22nd June 2017.

Govt Department:- Dr. Ram Manohar Lohia Hospital
Post info:- Junior Resident
Job Posting:- Delhi
Last Date:- 22nd June 2017
RMLH Jobs 2017 News
Junior Resident:- 100 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Junior Resident should have MBBS from a recognized university and should be registered with any medical council in India / DMC.
Salary Structure:- Rs.15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- Maximum 30 years as on 31st May 2017 and upper age is relaxed by 5 years for SC/ST, 3 years for OBC
Selection Process:- personal Interview.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through demand draft in the favor of Dr. R.M.L Hospital, New Delhi payable at New Delhi.
General/ OBC: Rs. 500/- (Rupee Five hundred only)
SC/ ST/ PWD: No Fee
How to apply for recruitment RMLH 2017:- Applicants may apply in prescribed application form along with original self – attested photocopies of relevant documents send to the medical superintendent, Central Dairy and Dispatch section, New Gate No 1, Dr. Ram Manohar Lohia Hospital, New Delhi on or before 22nd June 2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 22/06/2017

..............................................................................

### IOCL recruitment 2017 Apply online for 14 Engineering Assistant, Technical Attendant at iocl.com

Indian Oil Corporation Limited released new notification on their official website iocl.com for the recruitment of total 14 (fourteen) jobs out of which 06 (six) vacancies for Engineering Assistant, 08 (eight) for Technical Attendant vacancy. Job seekers should apply from 24th May 2017 and before 13th June 2017.

Govt. Agency Name:- Indian Oil Corporation Limited
Post info:- Engineering Assistant, Technical Attendant
Posting:- Odisha & Chhattisgarh
Advt No.:- SERPL/HR/ESTB/2017/1
Official website: iocl.com
IOCL recruitment 2017 apply online
Engineering Assistant: 06 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for IOCL Engineering Assistant job should have Three years full time Diploma (or two years through lateral entry after ITI of minimum one year duration) in relevant Engineering from a Govt. recognized Institute.
Salary Structure:- Rs. 11900 – 32000/- Per Month
Technical Attendant: 08 vacancies
Qualification:- Aspirants who decided to join IOCL Technical Attendant posts should have Matric / 10th pass and ITI pass from a Govt. recognized Institute in the specified ITI Trades and duration as mentioned below* from a Govt. recognized Institute/Board.
Salary breakup:- Rs. 10500 – 24500/- Per Month
Age Limit:- 18 to 26 years relaxed by 5 years for SC/ST, 3 years for OBC
Hiring Process:- Selections for engagement would be based on Written Test and Skill/Proficiency/Physical Test.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Engineering Assistant, Technical Attendant vacancies should pay the below charges through Online mode.
General/OBC: Rs. 100/- (Rupee one hundred only)
SC/ST: Application Fee
How to apply for IOCL vacancies 2017:- Interested and Eligible applicants may apply Online through the website www.iocl.com from 24.05.2017 to 13.06.2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission starts From: 24.05.2017
Form Submission End Date: 13.06.2017

## শগোলশেম হেমন্ত

## খেংজোই

*(মণিপুর অম... পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা-নুংঙাই পাউদম লাইরিক্নি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

### ৬

### অঙাং কপ্পা গারী

*ঙরাংগী মখা...*

চীংনুংদগী তুং ইন্নদুনা লাকপা ঐখোয়গী মরুপ অমুবদা অঙৌবনা লাংবা হুই অদু হৌজিক ফাওবা ঐখোয়গী তুং ইন্নবা লেপত্রি। মাসু ঐখোয়বু শেন্নদুনা লাকনি। অতৈনা হনখ্রবসু মাদি ঐখোয়বু থাদোকপা লৈখিদ্রে। নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা কৈথেল মানবী হায়বা মফমদুদা থুংই। সরক্কী নাকলন্দা লৈবা 'হোই-নোই' হোটেলদা ময়াম ফমদুনা থক চামিন্নরি। চীংদগী খোংবু ওইমীন্নরকপা অরাংবা হুই অদুসু ঐখোয়গী নাক্তা ইন্নদুনা লৈরি। লোয়বু লোয়নরবদি নুংশিবসু হেনগৎলকই। ঐখোয়গী তুংদা ইন্নরক্লবদি কনানা পুগনি। কান্নদবদা হুইদুগী মতাংদা ঙাইহাক মোন্দ্রং শান্নরুরি। মাসু মানা থোকপা ঐখোয়সু ঐখোয়গী থোকপা চৎনখিবা তাবনি।

'কৈথেল মানবী' - অৱাং কৈথেলমানবী, নোংচুপ কৈথেল মানবী, নোংপোক লৈথেলমানবী। ঙসিনা মখা কৈথেল মানবী থেংনরে। কৈথেল মানবী হায়বা জাগা অসিমক্তি চীংদগী হায়থরকপা অদুগা তম্পাক্কী শরুক্না হৌরকপা ফিজিন ওইবা মফমদা লৈনৈ। মফম অসি হিথাংফম অমগুম্বনি। হায়বদি চীংদগী পুথোরকপা মনা মশীং, মরু মরাংশিং থমদুনা অমদি য়োন্দুনা তম্পাক্তগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈশিংগা ওন্থোক ওনশিল তৌনফম্নি হায়বগীদমক কৈখেল মানবী হায়না মণিপুরীশিংনা খঙনৈ।

ঐখোয়না লাকপদা থেংনরিবা খুলশিং অসি মখোঙনা নৎত্রগা সাইকলনা সেরৌ নৎত্রগা শুগনু ফাওবা চত্তুনা পোৎ-চৈ লৈবা লাইরিক লাইশু তম্বা তৌনৈ। ঐখোয় ময়াম মরী মরী লাকপদু উবদা এম খাউখোলগী মীওই অমা থোরক্তুনা হংলৈ,

- ওজাশিং কদাইদা চৎপনো?

-ঐখোয় পাউমীনি, চীংগী লমদা করি করি অৱাৎ-অপা লৈবগে য়েংবা লাকপনি।

-চা থকখিসিরা ওজা?

-থক্লরোইদা মাঙদা ময়ামসু চৎনখ্রে।

-হোয়নে, সরকারনা পায়খত্তবা অৱাৎ-অপাশিং অদু পাউমীনা খঙহন্দুনা ইথোকপা ফৈ।

-চুম্মী, চুম্মী।

*মথং মথং ...*

## য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

অদুগুম্বা অমেরিকাগুম্বা মফমদা য়ু থকপনা অখুংবী নুপীগী মশীং হেনগৎহল্লি। হয়িংখোইগী ৱার্কর ক্লাস (মচা পোক্তবা) অদুগুম্না তাইবঙমীদসু য়ু থকপনা ৱার্কর ক্লাস (অখুংবী ময়াম) শেন্নকই।

য়ুনা নোয় পেনহনবা ঙম্ব্রা?

- পুক্তা য়ু হেক তাবদা পুক্তগী ম্যুকস মেমব্রেন উনশা অপাবা শোক্তনবা হাউ য়াম্না থোরকই। অদুদা নত্তনা হায়ড্রোক্লোরিক এসিদসু য়াম্না থোকহল্লি। আলকোহোলনা হকচাংদা ফত্ত-হৌদি পোকহনবসি - ফিরাক্তা গ্লাইকোজন শেমহন্দে অমসুং ফিরাক্তসু গ্লাইকোজন থম্বা ঙমদে অদুনা অনাবা থিংবা ঙমদে। করিগুম্বা মওংদা নোয়-পেলহনবগী থবকসু হৌদে।

হিদাক ওইনা, ঈ থোকমনবদগী শিথদনা লৈবা, ৱাহন্থবদা, ব্লদ প্রেসার হন্থনা লৈবদা আলকোহোল পীবদা হেন্না ফত্তবা ওইহল্লি। পঙথবদা আলকোহোল ড্রোপ ২-৩ খৌনাওদা থাদবা নৎত্রগা ব্রান্দি খরা ঈশিংদা য়াল্লগা পীথক্লে। খরা ফবরা হায়না খন্নবা য়াওই। অদুবু য়ু অদুনা মরেং মরেং চৎপা অমা পীবা অদুনা চীন্দা অমসুং পুক্তা থবক পীবগুম উই। অদুবু কুইদে থুনমক ম্যুকস মেমব্রেনগী শোকপা খঙবা মরীদা খরদং ময়াই কাবা পীরম্বদনি। ঈদি হেক চুপশিনখিবদা মরী শোন্থহনবা, শিথহনবা পোকহন্দুনা ময়াই কাবদু মাঙহনখি। মরী অদু ফাত্তোকই, হার্ট শোন্থহল্লি, মাঙন-তাক্লবা ওইবা মখল অমগী ফল ওইবা অমা য়ু অদুনা পী। হিংগদবা অশোক অপন থোকপা মীওইদা আলকোহোল পীদুনা হিংবগী খুদোং চাবা মাঙহনগনু হায়না কেলওরেগী ডাক্তরশিংনা

*মথং মথং ...*